# মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্স মালেমদা খ্বায়দগী ৱাহঙ্থোক লৈবা ডান্সনি হায়না ক্লেম তৌবা য়াই: ডা নাজমা হেপ্তুল্লা

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (এস এন এস)ঃ লমদমসিগী ওইবা মণিপুরী ক্লাসিকেল ডান্স অমসুং রাধা কৃষ্ণ রাস লীলা অসি রিলিজস্স পোইন্ট অমদি আর্টিষ্টিক এঙ্গলরোমদা য়েংবদা মালেমদা খ্বায়দগী ৱাহঙ্থোক লৈবা ডান্সনি হায়না ক্লেম তৌবা য়াই হায়না মণিপুরগী গভর্ণর ডা নাজমা হেপ্তুল্লানা ফোঙদোকখ্রে।

রাজ ভাবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা ভাগ্যচন্দ্র এন্দ ভক্তি মুভমেন্ট ইন ইষ্টর্ন ইন্দিয়ান লিটরেচর হায়না মিংথোনবা খোমজিন লাইরিক ফোঙবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা গভর্ণর ডা নাজমা হেপ্তুল্লানা মখা তানা হায়, মণিপুরগী শীংথানিঙাই ওইবা নিংথৌশিংগী মনুংদা ভাগ্যচন্দ্রসু অমনি। রাজর্ষি হায়রগসু হেন্না খঙনবা নিংথৌ অসিগী মতমদা লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু চাউখৎনবা অঙভা থাক্তা হোৎনরম্মী। লোয়ননা লাক্কদবা মীরোলশিংগীদমক্তসু অনৌবা ৱাখল্লোন কয়া পুথোক্তুনা হোৎনরম্মী।

কলচরদা ইনাক খুল্লে হায়রিবা লমদম অসিদগী ভাগ্যচন্দ্র (নিংথৌ) না হিন্দু রিলিজনগী মচাক কয়াগা লমদমসিগী ওইবা কলচররেল মচাক কয়াগা লোয়ননা হিন্দু লাইনিংগী ওইবা তোঙানবা তোপ তোপ্পা ট্রেদিসন কয়া পুথোক্লম্মী। মহাক্কী নিংথৌরোল মতমদা লমদম অসিদা অমুক্তা ওইখিদ্রবা মওংদা কলচরেলদা অওনবা অনৌবগী ইনোৎ কয়া পীখি। মহাক্না রাস লীলা মঙাগী মনুংদা অহুম কম্পোজ তৌরম্মী। মদুদি মহা রাস, বসন্ত রাস অমসুং কুঞ্জ রাসনি।

হৌখিবা কুম্‌জা ১৭৭৯ হিয়াঙ্গেগী ১১ নি পানবা পুর্ণিমা নুমিৎতা রাধা কৃষ্ণগী রাস লীলা অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না পূক্নীং থৱায় য়াওনা পাঙথোকপা হৌরকখি।

গভর্ণরনা মখা তানা হায়, লৈবাক নিংবা লাইনিং লাইশোনদা চেৎনা থাজবা থৌনা লৈরবা নিংথৌ অসিগী মরমদা তোঙান তোঙানবা মীওইশিংনা ইবা লাইরিক কয়া অমসু লৈখ্রে। মহাক্না তৌরম্বা শীংথানিঙাই ওইবা মরমদা ইগদবা কয়া অমসু ৱাৎলি। ঙসি ফোঙলিবা লাইরিক অসি অইবশিংনা নুংগী ওইবা ফোঙদোক্নীং লিবা ৱাখল্লোন কয়াগা লোয়ননা নীংথিনা ইরকপনি। ভাগ্যচন্দ্রগী ওইবা ৱাখল্লোন অমসুং মহাক্না তৌরম্বশিং নীংথিনা কূপ্না থিজিন্দুনা চেপ্টর ১২ থোক্লা য়াওরি। লাইরিক অসিগী ইমিনেন্ট এদিটরশিং অসি য়াম্না খঙ–হৈবা ৱাহৈনা থাগৎনিঙাই লৈতবা য়াম্না চাউথোকচনিঙাই ওইবা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকখি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার ডা অহৈবম কোইরেং, দিপার্টমেন্ট ওফ সোসিয়েল ৱার্ক ওফ হেদ ডা. ঐচ শুখদেবা শর্ম্মা অমসুং ন্যু দিল্লিগী ইন্দিয়ান ফাউন্দেসনগী রামি নিরঞ্জননা পূন্না খোমজিনবা লাইরিক অসি ফোঙবগী থৌরমদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ, মণিপুর সিটিজেন ফোরমগী কনভেনর ডা. সিঐচ চন্দ্রমনি, ইন্দিরা গান্ধী নেস্নেল ত্রাইবেল য়ুনিভর্সিটিগী দাইরেক্তর ডা. এন জি ঙালেঙমসু শরুক য়াখি।

# ‘শিথরক্লবা ঈনাৎ–চৎনবিগী মচৎশিংদা মীৎয়েং চঙবীবা মথৌ তাই’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (এস এন এস)ঃ লমদম অসিদা নোংমা নোংমগী শিথরক্লিবা অরিবা ঈনাৎ চৎনবিগী মচৎশিং অসিদা ঐখোয়না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিদুনা তুংগী মীরোলগীদমক য়োকখৎতুনা থম্বা তঙাইফদে হায়না জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমি (জে এন এম দি এ) গী দাইরেক্তর এল উপেন্দ্র শর্ম্মানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি গুরু সনাতোন অপূনবা হরি সঙ্কীর্ত্তন নৈনশঙ (গুরুসাহসন) না শীন্দুনা শগোলবন্দ থিঙোম লৈকাই কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকপা লমদম অসিগী শক্নাইরবা নট সঙ্কীর্ত্তনগী ওজা গুরু কোম্থৌজম সনাতোন লৈখিদবগী মাপললক শুবা নীংশিং থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অসিদা মহাক্না মখা তানা হায়, লৈখিদ্রবা ওজা অসি লমদম অসিদা নট সঙ্কীর্ত্তন চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌবিরম্বা মীশক অমনি। ওজা অসিনা নাৎ সঙ্কীর্ত্তনগী লমদা কথোকপীরম্বশিং অসি শৈথাবদা ৱানা থোক্কনি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা ওজা অসিগী নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা গৌর লীলা শান্নগদৌরিবা অসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। অসিগুম্বা শিথরক্লবা কলচরগী মচৎশিং অসিবু ঐখোয়না য়োকখৎপীবা চঙই।

গৌর লীলা, রাস লীলানচিংবা লমদম অসিবু মালেমদা শক্তাক্লিবা জগোয় মখলশিং অসি হান্নদি লৈকাই লৈকাইগী ওইনা তোইনা শান্নদুনা লমদম অসিগী মীয়াম্না পান্নবা জগোয় মখল অমা ওইরম্মী অদুবু হৌজিক্তি চহী ১ গী মনুংদা গোবিন্দনচিংবা অখন্নবা মফম খরদা খক পাঙথোকপা অসি নত্তনা লৈত্রে। মসিনা হৌরক্লিবা নহাশিংদদি অসিগুম্লবা জগোয়গী মথেলশিং অসিগী মরমদা খঙলক্তবনা হেন্না শিথরক্লবগী মচাক অমা ওইরক্লি।

মরম অসিনা অসিগুম্বা জগোয়গী থৌরমশিং অসি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা তোইনা পাঙথোক্তুনা অসিগুম্লবা মমল য়াম্লবা কলচরগী মচাকশিং অসিবু য়োকখৎতুনা থম্বা তঙাইফদে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মপান লমশিংগা য়েংনবদা লমদম অসিগী জগোয় শাবীশিং অসি ডান্স ড্রামাগুম্বা অপূনবগী জগোয়শিংদদি য়াম্না থাক ৱাংনা লৈরি। অদুবু সোলো ওইনা জগোয় শাবীশিংদি মশীং য়াম্না ৱাৎনা লৈরি। হীরম অসিদসু ঐখোয়গী মীৎয়েং চঙদুনা জগোয় শাবী কয়া ওন্থোক্তুনা মালেমদা হেন্না শক্তাক্লবসু হোৎনগদবনি হায়খি।

থৌরম অসিদা জে এন এম দি এগী দাইরেক্তর এল উপেন্দ্র শর্ম্মানা চীফ গেষ্ট, গুরুসাহসনগী প্রসিদেন্ট ৱাংখেম ইরাবতনা প্রসিদেন্ট অমদি সঙ্গীৎ নাতক একাদেমিগী এৱার্দী ই চাউভলনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

# ‘থাঙ–তানা কলচর য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি’

ইম্ফাল,ওক্টোবর২৫(এস এন এস)ঃ থাঙ তানা মণিপুরী কলচর য়োকখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মসিবু নিংথিনা য়োকখৎতুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না হান্নগী এম য়ুগী ভি সি অমসুং জে এন মণিপুর দান্স একাদমীগী ভাইস চ্যারমেন প্রো. ঐচ তোম্বীনা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা চহীগী ওক্টোবর ২৫ দগী হৌদুনা চহী অমা চুপ্না চখরকপা হুয়েন লাল্লোং মণিপুর থাঙ তা কলচরেল এসোসিয়েসন ইরিলবুংগী লিংখৎখিবগী চহী ৬০ শুরকপা দাইমন্দ জুবিলি থৌরমগী লোইশিনবা অমসুং ৬১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা অথোইবা মীথুং ওইখিবা প্রোফেসার তোম্বীনা হায়, থাঙ তা অসি মতম অমদা ঐখোয়গী ইশাগী সেক্যুরিতি ওইনবা লোয়ননা য়েক্লবশিংদগী ঙাকথোকচনবা হোৎনরম্বা আর্ট ফোর্ম অমা ওইরম্লিবনি।

হুয়েন লাল্লোংনা লমদম অসিদা থাঙ–তাবু য়োকখৎনবা হোৎনবদা চহী ৬১ চুপ্না হোৎনরকখিবা অমসুং মখোয়না লৌখিবা থৌদাং অদু শিংথানিঙাই ওইবা অমনি।

থাঙ–তাগী আর্ট ফোর্ম অসি য়াম্না তাঙবা লমদম অসিগী কলচরগী মচাক অমনি। মসিনা লমদম অসিগী কলচরগী হৌরকফমনি হায়বা ফাওবা য়ারিবনি।

মণিপুরগী তোপ তোপ্পা মার্সিয়েল আর্ট অসিনা মণিপুরবু মালেমদা শক্তাকপদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরিবনি। থাঙ–তা অসি মণিপুরগী অরিবা আর্ট ফোর্মশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি হায়খি।

ঙসিদি থাঙ তাগী মরুওইবা অসি খঙলকপদগী সঙ্গিত নাটক একাদমী য়াওনা তোঙান তোঙানবা বোদিশিংনা থাঙ তাগী লমদা শক্নাইরবশিংবু শকখঙবীবা অমদি ফেলোসিপনচিংবা পীদুনা য়োকখৎনবা হোৎনবীরি হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা এসোসিয়েসন অসিগী দাইরেক্টর কে সনাথোইবা শর্ম্মানা হায়, থাঙ–তা অসি মতম অমদা লৈবাক্কী শা লানদা শিজিন্নবা লোয়ননা লৈবাক অসি থাঙ তানা ঙাক্লকপগী ৱারী লৈরি।

আর্ট ফোর্ম অসি মণিপুরী কলচরগা লোয়নদুনা লাক্লবনি। মসি শা–লানগী মতমদা লৈবাক ঙাক্লম্বগী মতম লোইখ্রবা মতুংদা থাঙ তাগী মচাকশিং অসি পার্ফোর্মিং আর্ট অমা ওইনা লৌশিল্লগা মালেমদা থাঙ–তাবু শক্তাক্তুনা মালেমদা অসিগুম্বা অসি লৈরম্মী হায়বা উৎনবা গুরু গৌরকিশোরনা চঙশিন্দুনা লাকপনি।

থাঙ তা অসি মণিপুর ষ্টেট কালা একাদমীনসু আর্ট ফোর্ম অমা ওইনা লৌশিন্দুনা ফেলোসিপ, স্কোলারশিপ, ষ্টেট এৱার্দনচিংবা পীদুনা য়োকখৎনবা হোৎনবা লৈরে। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু পার্ফোমিং আর্ট অমা ওইনা শকখঙবীদুনা সঙ্গীত নাতক একাদমী এৱার্দ পীদুনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরনা থাঙ–তাগী ওর্গনায়জেসনশিংদা থাঙ–তাগী সেলরি গ্রান্ট পীদুনা অমদি তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পার্ফোমেন্স পীনবা গ্রান্টনচিংবা পীদুনা লাক্লি।

মসিগা লোয়ননা অপীকপা অঙাংশিংদসু কলচরেল টেলেন্ট সার্চ স্কোলারশিপ পীদুনা চহী ১০ দগী ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা জগোয়, ঈশৈ, ড্রামানচিংবগা মান্ননা থাঙ তা চৎলি।

হৌজিক্তি থাঙ তা অসিসু শান্ন খোৎনবগী মওংদা চঙশিল্লক্লি। মসি ইন্দিয়াগী মপান্দ অতৈ লৈবাকশিংদা চঙশিন্দুনা হোৎনরি। লৈঙাক্লসু মসিদা মীৎয়েং চংদুনা লাকপদগী দিসেম্বর থা মনুংদা থাঙ তাগী অচৌবা ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোক্লবা শেম শারি।

অদুবু থাঙ–তাগী কলচরগী মচাক অসি স্পোর্ট ওইনা লোইনা পুথোকপা য়াদবনা স্পোর্টতা খরা খায়দোক্লবসু মপুম ওইনা থাঙ তা অসি পুখৎলমদি তু ক্লৈনা থাঙ তা অসি হিংহৌগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা কোরিওগ্রাফর অমসুং সঙ্গিট নাটক একাদমী এৱার্দী টি ঐচ চাউতোম্বী সিংহনা ইকাই খুম্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা ফ্রেন্সতগী লাক্লগা থাঙ–তা তমখিবী এঞ্জেলা সোফিয়া ষ্টরজর য়াওনা আর্টিষ্ট কয়াদা খুদোলপোৎ পীদুনা ওকখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবা গুরু জি গৌরকিশোর শর্ম্মগী মীতমদা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

# সেক্সুয়েল এন্দ রিপ্রদক্তিব হেলঠ রাইটসকী মতাং খন্নখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(এস এন এস)ঃ হ্যুমেন রাইটস লো নেটৱার্কনা শীন্দুনা সেক্সুয়েল এন্দ রিপ্রদক্তিব হেলঠ রাইটকী মতাংদা নুমিৎ নীনি চুপ্না চত্থগদবা খন্ন নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি লম্ফেল পাৎতা লৈবা আই সি এম গী কনফরেন্স হোলদা হৌদোকখ্রে।

ঙসি হৌদোকপা নুমিৎ অসিদা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট কৈশাম প্রদিপকুমারনা মোদরেটর ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা সেক্সুয়েল হেলঠ রাইটসকা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা হিরম কয়াদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হ্যুমেন রাইটস লো নেটৱার্ক (মণিপুর) গী মেনেজিং দাইরেক্তর রাকেশ মৈহৌবম্না হায়, মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা হকশেল কাংলোনগা মরী লৈনবা লোয়শঙশিং অসিদা পীফম থোকপা খুদোংচাবশিং অসি মপুং ফানা পীবগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টকী সেক্সুয়েল হেলঠকা মরী লৈনবা স্কিমশিং অসিসু মীয়াম্না মপুং ফানা কান্নবা লৌবা ঙমদবা কয়া অসিদা খরা মখৈ মতেং ওইনবা কন্না নৈনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

লোয়ননা সেক্সুয়েল এন্দ রিপ্রদক্তিব হেলঠকী মতাংদা মীওইবা অমনা ফঙফম থোকপা মশাগী হক কয়া মরুম লৈরি। মসিসু মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙদোক্তুনা ইশাগী ফংফম থোকপা অদু লৌনবা হোৎনগদবনি। মসিদা মথৌ তাবা লোগী ওইবা চৎন কাংলোন কয়া অদু মীয়ামগী মীৎ নাকোং ওইহন্নবা কন্না নৈনবা অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা আশা ৱার্কশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং, হেলঠ সেন্টরশিংদা থৌ পুরিবা মীওইশিং লোয়ননা লোগী মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।

ঙসি অহানবা নুমিৎ অসিদা হিলসন জে অঙা, মৈহৌবম রাকেশ, ডা. সেরাম মীনা, ডা. সোমোরজিৎ নিঙোম্বম, কিশ্বোরচন্দ্র ৱাংখেম. ডা. ৱাহেংবম জুবিলী, খ্বাইরাকপম তরুনকুমার অমদি পেবম বোনিতানা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি।

নীনি শুবা নুমিৎকী ওইনা হয়েং নোনিবালা ঙাইরাংবমনা মোদরেটর ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা ওলভিয়া বন্দ, মৈহৌবম রাকেশ, রোসিনিচন্দ্র তৌরাংবম, সেরাম মীনা, খাঙবম অনন্দী অমদি অশিৱারয়া অধিকারিননা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাংগনি।

# নাহোক্তুনা চেনখিবা ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(এস এন এস)ঃ হৌখিবা ওক্টোবর তাং ২২ গী নুমিদাং পুং ১০ রোম থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাংবুগা অঞ্জুমান অমদি অলাদাগী থৌমীশিংগা খূৎশম্নদুনা লিলোং দাম মখা লৈকাই এরিয়াদা ড্রগ য়োনবা মীওই ৩ গা লোয়ননা এস পি, কপ সিরপ অমদি নম্বর ফোর গ্রাম ১২ ফাগৎখিবা অদুগা নাহোক্তুনা চেনখিবা মীওই অদু ঙসি লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী ও সি, ও অজিৎনা লুচিংবা টিম, অঞ্জুমান অমদি অলাদাগী থৌমীশিংনা কিয়ামগৈ মমাং লৈকায়দা লোৎতুনা লৈরম্বদগী ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অদুদি এফ এম অকতর হুসেন (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এফ এম হবিবুর রহম্মন, কিয়ামগৈ মমাং লৈকায়দগীনি হায়রি।

# ‘নিঙোল চাক্কৌবা নংনবা ইমপ্লোয়শিংগী তলব পীথোকপিয়ু’

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(এস এন এস)ঃ মণিপুর ষ্টেট পৱার কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি সি এল) অমসুং মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পিনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সি এল) গী ইমপ্লোয়িশিংগী সেপ্তেম্বর অমসুং ওক্তোবর থাগী তলব নিঙোল চাক্কৌবা নংনবা ওক্তোবর ২৯ ফাওবগী মনুংদা পীথোকপিয়ু হায়না মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়ি য়ুনিয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

কৈশাম্পাৎতা লৈবা মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট এল ইবোমচানা হায়খি, এম এস পি সি এল অমসুং এম এস পি দি সি এল অনীমক্কী ইমপ্লোয়ি ৩৪৪০ গী মথক্তা লৈ। ইমপ্লোয়িশিং অসিগী তলব অসি কুমজা ২০১৪ দগী তলব চাং নাইনা ফঙলক্ত্রি। হায়রিবা ইমপ্লোয়িশিং অসিগী মনুংদা ইমপ্লোয়ি তঙ্খাই অমদি অয়ুক নুংথিল নাইদনা থবক শুরিবনি।

ইমপ্লোয়িশিং অসিগী তলব অসি খা খুদিংগী তাং ৫ দা পীগনি হায়বনি। অসিগীসু মথক্তা চাক্কৌবগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ি খুদিংমক হৌখিবা ওক্তোবর ২২ দগী কায়বা য়াহনখ্রবনি। অদুবু য়ুনিয়ন অসিগী ইমপ্লোয়িশিংগী ওইনদি হৌখিবা সেপ্তেম্বর থাদগী তলব পীবিদ্রি। লাক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসি নংনবা তলব কায়বা য়াগনি হায়বগী থাজবা লৈতে।

অসুম্না লৈঙাক্লা থওইবিদ্রবদি নো পে নো ৱার্ককী ফিরেপ ফাওবা লৌরক্কনি। হৌজিক চাক্কৌবা অমসুং মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়েংদুনা ইমপ্লোয়িশিং অসি তপথনা লৈবনি। মরম অদুনা নিঙোল চাক্কৌবা নংবা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা ইমপ্লোয়িশিং অসিগী থা অনীগী তলব পিথোক্তবা তারগদি সিজ ৱার্ককী খোঙজং ফাওবা চঙশিল্লক্কনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# লালহৌবা অমা ফারে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(এস এন এস)ঃ হৌখিবা থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ৪.৪০ রোম তাবা মতমদা থাজবা য়াবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কম্মান্দো অমদি ১৫শুবা আসাম রাইফলসকী অপুনবা টিম অমনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা য়ুম্নাম পাৎলৌ থোংখোঙদা ফ্রিস্কিং এন্দ চেক্কিং চত্থবদা লালহৌলূপ কে সি পি (পি দব্লিউ জি)গী কেদর অমা ফারে।

ফারবা কেদর অদুগী মমিং সোইবম মালেমঙা নবা মৈতৈ এলাইজ লভর(৩৭) অপোকপা লৈখিদ্রবা য়াইমা মৈতৈ কৌই, য়ুম্নাম পাৎলৌ মনিংদগীনি হায়রি। মহাক্কী মথক্তা সগোলমাঙ পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলে হায়রি।

# অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(এস এন এস)ঃ ত্রেন্নেদ নর্সেস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী এক্টিভ মেম্বর ওইরম্বী লাইশ্রম তোম্বীনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা এসোসিয়েসন অসিগী মেম্বরশিংনা উরিপোক খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা টি এন এ আই গী ওফিসতা মিনিট ২ তুমীন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবীগী থৱাইনা মপুগী মফমদা ইংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু হায়না ত্রেন্নেদ নর্সেস এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরী টি ঐচ বিনোদিনিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লি।

# অপুনবা শক্তমগীদমক পাঙল কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ওর্গনাইজিংস কোওদির্নেটিং কম্মিটি (এ এম এম ও সি ও সি) না শীন্দুনা ঙসি মণিপুরগী অপুনবা শক্তমগীদমক হট্টা গোলপতি কম্যুনিটি হোল কমপ্লেক্সতা পাঙল কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে।

কনভেন্সন অদুগী মতাংদা কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এস এম জলালনা হায়, মণিপুর অসি তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা পুন্দুনা অমত্তা ওইনা হিংমীন্নরকপনি হায়বসি হৌখিবা পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লি। লমদম অসিগী মপান্দগী পীরকপা চৈথেং কয়া পাঙল খুন্নাইনা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা থেংমীন্নদুনা লাক্লি। মতুং তারকপদসু লেপ্তুনা থেংননবা ঙসিগী মীফমনা অমত্তা ওইনা য়ান্নখি। চহী কয়া লিশাং শিংনা চত্থরক্লিবা নাগা পীছ টোল্ককী ৱারোইশিন অমা ওক্তোবর ৩১ দা পোরক্লগনি হায়রিবসিদা লমদমসিগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিটি অমদি ইথনিক কম্যুনিটিদা শোক্লবদি কম্মিটি অমদি পাঙল খুন্নাইনা য়াবা ঙম্লোই। লোয়ননা মসিগী মায়োক্তা চপ চাবা খোঙজং চঙশিন্দুনা থেংমীন্ননবা শেম শাদুনা লৈ। হান্নদগী হৌনসু পাঙল খুন্নাইনা চঙশিন্দুনা লাক্লি।

হৌখিবা কুমজা ২০০৮ গী মার্চ ২০ দসু কম্মিটিনা শীন্দুনা মণিপুর পাঙল মীয়ামগী ওইবা মীফম পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, ইন্টরলোকুটর আর এন রবি, মণিপুরগী গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টদসু পাঙল মীয়ামগী ৱারেপকী ৱারোল পীশিনখিবা লৈখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়, লমদম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী খুন্দাদুনা লৈমীন্নরক্লিবা কাংলুপ, ফুরুপ পুম্নমক্কী ওইবা ইমা লৈবাক্লি। মহৌশাদগী লৈজরক্লবা এদমিনিষ্ট্রেটিব স্ত্রক্টচর থুগাইরগা টেরিটোরিয়েল কাউন্সিল শেম্নবা হোৎনরকপদা, পাঙল খুন্নাইনা চপ চানা থেংনগনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা খুন্দারিবা কাঙলুপ ফুরুপশিংগী মরক্তা চত্থরিবা লাল্লোং অসিসু তোক্কদবনি। করিগুম্বা নাগা পীছ টোল্ক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপদা মণিপুরগী মীয়ামগী খোল্লাও কয়া অসিবু থওইদনা থবক তৌরক্লবদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মথক্তা অকনবা খোঙজং চঙশিনগনি। হৌজিক হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা কাংলূপ অমত্তনা কাংলুপ অমগী পূক্নিং নুংঙাইরোইদবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদনবা কনভেনসন অদুদা অমত্তা ওইনা য়ান্নখি হায়না ফোঙদোকখি।

কনভেন্সন অদুদা জিরিবাম এ সি গী এম এল এ উসব উদ্দিনসু শরুক য়াখি।

# ‘ৱেটিং লিষ্টতা লৈবা কেন্দিদেটশিং লৌশিনবিয়ু’

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২৫ (এস এন এস)ঃ মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল (২০১৩) বেটচকী ৱেটিং লিষ্টতা লৈরিবা কেন্দিদেট ২০০ রোম অসি লাক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা নংনবা লৌশিনবিয়ু হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী পূক্নীং চিংশিল্লক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ৱেটিং লিষ্ট কেন্দিদেট ওফ মণিপুর পুলিস কন্সটেবল মেল ২০১৩ বেটচকী স্পোক্সপার্সন থিংবাইজম প্রদিপনা ফোঙদোকখিবদা, পুলিস কন্সটেবল ২০১৩ বেটচ অসি মমাঙগী লৈঙাক্না দি পি সি লৌদুনা হায়দোক্তনা থম্বীরম্বনি। অদুবু পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা কেন্দিদেটশিং অসিবু নুংশিবীদুনা দি পি সি অসিগী ফল লাউথোকপীবনি। অদুবু দি পি সি অসিদা ৱেটিং লিষ্টতা লৈখিবা কেন্দিদেট ২০০ দি অদুমক ৱাদুনা লৈরি। মরম অদুনা চহী ৭ হেন্না ৱাজরক্লবা কেন্দিদেটশিং অসিবু নুংশিবীদুনা লাক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসি নংনবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবিদুনা লৌশিনবিয়ু। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা নিঙোল চাক্কৌবা অসিদা ইচে–ইচলশিংবু নেনা তানা ইং–তপ্পা চাক্কৌবা ফংহনবিয়ু অমসুং লৈবাক অসি ঙাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌহনবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ‘ষ্টোক্তা থাউ লৈনা

লমায় ১গী মখা... শোয়–ঙাগ্লোইদবা মফমদা থন্নবা খঙহনখ্রে। বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফাইয়ার সার্ভিসকী ওফিসার ইন–চার্জ অমসুং মোইরাংগী ষ্টাফশিং করিগুম্বা থৌদোক অমা হেক থোরকপদা মদু থেংননবা থৌরাং তৌদুনা লৈগদবনি। মসিগা লোয়ননা চীফ মেদিকেল ওফিসার বিষ্ণুপুরনা এম্বুলেন্স য়াওনা খুদক্কী ওইবা তঙাইফদবশিং হেক্তমক ফংহনবা য়াননবা থৌরাং তৌগদবনি। হিদাক–লাংথকশিং ষ্টোক মতীক চানা থমজিনগদবনি। মেডিকেল ওফিসারশিং ষ্টেসন থাদোক্তুনা চৎপা য়ারোই। য়ৈখায়–থিনগাইবা য়াওদনা অনা–লায়েংগী খুদোংচাবশিং পূং ২৪ চুপ্না ফংহন্নবা থৌরাং তৌগদবনি হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট ডা রঙ্গিতাবলি ৱাইখোমনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ইন্দো নাগা পিছ টোল্ক অসিগা মরী লৈননা তঙাইফদনা চঙবা পোৎলমশিং পৈশিনবা থিংননবা অমসুং অকিবা পোক্লবদগী পোৎ– চৈ কা– হেন্না লৈশিনবা থিংননবা মরী লৈনবশিংদা থৌদা পীরি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা চেঙ, অচাথাউ, পেত্রোল–দিজল অমসুং অতৈ চান–থক্লবগী পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎলক্লিবসি ইসেন্সিয়েল কম্মোদিটি এক্ট ১৯৫৫ কী মখাদা মরী লৈনবশিংনা য়েংশিন্ননবা হায়রি। এস পি য়াওনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পুলিস পার্সোনেলশিংনা স্কোর্ট পীরগা ওফিসিয়েলশিং মথৌ তৌহনগদবনি হায়বনচিংবসু পল্লি।

ফুয়েল আউটলেটশিংনা তঙাইফদবা মখোয়গী ষ্টোকশিং নীংথিনা থমগদবনি। মখোয়গী ষ্টোরেজ টেঙ্কশিং হাংহনবা য়ারোই। তঙাইফদনা লিটর ১০০০ গী চাংদা খাক্তুনা থন্নবসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# আয়ুস সেক্টর চাউখৎনবা পুন্না হোৎনমিন্নবা...

লমায় ১গী মখা মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়, মীওইবা ওইনা পোকপা তারবদি রাইট টু লাইফ অসি য়াম্না মরুওইবা রাইট অমনি। মসি মীপুম খুদিংমক্তা ফংহন্নবা থৌরাং তৌবা তাই।

ঐখোয়না থবক তৌবা মতমদা কথোকপগা লোয়ননা পুকচেল শেঙনা থবক তৌবা তঙাইফদে। আয়ুসকী শরুক অমা ওইরিবা যোগ অসি মালেমগী লৈবাকশিংনা থাগৎনরিবা সেক্টর অমনি।

মালেমগী ওইনা যোগনা মীওইবদা করি কান্নবা পীবগে হায়বসি খঙবা তঙাইফদে। যোগ আসন ময়ামগী কান্নবা অদু খঙহনবা তঙাইফদে হায়খি।

আয়ুস সেক্টর অসি হেন্না রিসার্চ তৌদুনা চাউখৎ থৌরাংগী লমদা মাঙলোমদা চংশিনবা তঙাইফদে হায়খি। জপানিজশিংনা কেন্সর লায়নাগী লমদা রিসার্চ তৌদুনা হিদাক ফাওবা পুথোকপা লৈখ্রে। হৌজিকসু লেপ্তুনা রিসার্চ চত্থরি। মীয়াম্না আয়ুসকী লমদা করি তৌবা তাবগে হায়বদু লমজিংবীয়ু হায়খি।

আয়ুস সেক্টর অসি আয়ুসমান ভারততা য়াওরিবনি। আয়ুসকী মরুওইবা অসি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। এম বি বি এস তম্বা মতমদা আয়ুস সেক্টর অসি শোয়দনা তমদবা য়াদবা সবজেক্ট অমা ওইরবনি।

দিপার্টমেন্ট অসি মী য়ামদবনা থবক তৌবা মতমদা প্রোব্লেম খরদি মায়োক্লরি। মী য়াওদনা অনা লায়েংশঙ মথৌ তৌহনবা য়াবা নত্তে।

থৌরম অদুদা দাইরেক্টর আয়ুস ডা. এল প্রোমিলানা হায়, মীওইবগী ঐখোয়গী পুন্সিদা মরুওইরিবা অসি হকচাং নাদ য়েক্তনা থম্বনি। ঐখোয়না হকচাংদা তঙাইফদবা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা তাবনি।

সেন্ত্রেল স্কিমশিং অসি মপুং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা হোৎনবা তাই। আয়ুসকী অনা লায়েংগী থবক অসি তৌনবগী মফম কয়া লৈরে। অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীবা য়াবা মফম য়াম্না লৈরে। অসিগুম্বা সেন্টরশিং অসিদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা মীয়াম্না লৌনবা হোৎনবীয়ু হায়খি।

# ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা তানহন্নিংই ঃ আর কে ইমো

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫(এস এন এস)ঃ ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা চত্থরিবা পিছ টোল্ট অসিগী ৱারোইশিন পুরক্ত্রিঙৈদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মণিপুর লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগা হান্না তান্নহৌবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি হায়না শগোলবন্দ এস সি গী এম এল এ, আর কে ইমোনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মাউ ইম্ফাল মার্কেট কোওর্দিনেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দা মমাং লৈকাইদা ফমখিবা মাও কৈথেল হৌদোকখিবগা মরী লৈননা এম এল এ, আর কে ইমোনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খি, কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্ট ৩ দা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পিন্নখ্রে হায়বা তাবগা মহাক মশামক রুল্লিংদা লৈজরবসু মতম অদুগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌবদা শরুক য়াখি। হায়রিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমসুং এন এস সি এন (আই এম) অনীগী মরক্তা চত্থরিবা পিছ টোল্ক অসিনা মণিপুর অমদি নাগালেন্দ অনীগী মরক্তা ইং তপ্পা পুরকপা ঙম্বা ওইসনু। তৌবতবু পীছ টোল্ক অসি পুথোরকপা মতমদা মসিগী ৱারোইশিন লাক্ত্রিঙৈদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ষ্টেট লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিজ পূম্নমক্কা তান্নদুনা খন্নহন্নিংই। মরম অদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুর মীয়াম, মণিপুর লৈঙাক অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটি খুদিংমক তান্নবিয়ু। মসিনা তুংদা থোরক্কদবা অফ ফত্তশিংদগী ঙাকথোক্লবা পাম্বে ওইগনি।

মাও কৈথেলগা মরী লৈননা মহাক্না ফোঙদোকখিবদা, মাওগী ইচিল ইনাওশিংনা য়াম্না থাপ্না, ইম্ফাল তম্না লাক্তুনা মখোয়গী পোত্থোকশিং মীয়ামদা ফঙহনবা অসি য়াম্না নুঙাই। ইচিল ইনাওশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হোং হোংদুনা মাও কৈথেল অসি ফম্মী হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙনরে। লৈঙাক্লসু মখোয়গী ওইবা মফম চাবা কৈথেল অমা শাবিগনি হায়না থাজবা পীখিবা লৈখ্রে। মরম অদুনা মখোয়গী ওইবা পার্মিনেন্ট ওইবা হৌজিমক পীবা ঙমদ্রগসু টেম্পররি ওইবা মফম অমা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা পীবিনবা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাঙগনি হায়খি।

ঙসিগী মাও কৈথেল অদুদা ষ্টোল ৪০ রোম হাংদুনা মীয়ামদা কোবী, আলু, হৱাই, দসকুস, মংগ্রানচিংবা মহৈ মরোং হৈ রা অমদি লৈ শুগী পোৎলমশিং ফঙহনখি।

# টেঙ্করশিং পুনবা ...

লমায় ১গী মখা...ওইল টেঙ্করশিং অসি চয়োল অমদা নুমিৎ ৫ গুম্বা এস্কোর্ট পীরগা লম্বী অসিদা চখোক চৎশিন তৌরি।

অমরোমদা পোৎ চৈ পুথোক পুশিন তৌবা ট্রকশিংদি এস্কোর্ট য়াওদনা নেসনেল হায়ৱে অসিদা চৎলি। থাউ পুবা টেঙ্করশিং অসিবু ঙাক শেল্লিবা এস্কোর্ট ওইনা চৎলিবা সি আর পি এফ পার্সোনেলশিংনা টেঙ্করশিং লাকপা মতমদা অতোপ্পা ট্রকশিং চৎহন্দনা থম্বী। করিগুম্বা কান্দা লাক্লিবা টেঙ্করশিং অদুগী মনুংদা অমা লম্বীদা য়ারক্তবা মতমদা মদু শেম্বা লোইদ্রিবা ফাওবা সি আর পি এফনা অতৈ ত্রকশিং অদু চৎহন্দনা ফাজিন্দুনা থম্মী হায়খি।

হৌজিক বরাক্তগী শান্তিখুনৌ ফাওবগী চাউরাক্না কিমি ৭.৫ রোম শাংবা লম্বী মতেক অসিদা পোৎ চৈ থন্না য়াওরবা গাড়ী ৩০০ হেন্না ফাইদুনা লৈরি। মসিগী মনুংদা নুমিৎ মরি মঙানিগী মমাঙদগী লৈরকপা গাড়ীশিংসু য়াওরি হায়খি।

মসিনা মরম ওইরগা ট্রক দ্রাইভরশিং অৱাবা মায়োক্লবগা লোয়ননা চহী অমগী মনুংদা অমুক্তং থোকপা নিঙোল চাক্কৌবা ফাওবা য়াওবা ঙমদবগী ফিভম অমা লাকপদা দ্রাইভরশিং পেন্নদ্রে।

অসিগুম্বা সেক্যুরিতিগী থৌওং অসিদা লৈঙাক্না অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

# মেমোরেন্দম– আই এমনা খোমগৎখিবা টেক্সশিং...

লমায় ১গী মখা... ৱাংমদা তেক্স খোমগৎপা অমসুং নমদুনা শেল খায়বগী থবক চত্থদুনা লাক্লি।

ইন্দিয়া লৈঙাক অমসুং নাগা ইন্স–রজেন্টশিংগী মরক্তা সিজ ফয়ার অমসুং পিছ টোল্ক চত্থরবা মতুংফাওবদা সিজ ফয়ারগী খুদোংচাবা লৌরগা সেমি লিগেল ওইবা মওংদা হায়রিবা থবক অসি অদুমক চত্থদুনা লাক্লি।

হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা অসিগুম্বা থৌওং অসিনা মণিপুর ষ্টেটনা লুপা ক্রোর লিশিং কয়াগী শেনফম মাঙদুনা লাক্লি। মসি ইন্দিয়া লৈঙাক্না হকচিন্না লৌদুনা মসিগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুর লৈঙাক্তা কম্পেন্সেট তৌবিনবা খন্নবীবা চংই। লোয়ননা নাগা ইন্সরজেন্টশিংনা মণিপুরগী গাড়ীশিংদগী মখা তানা লোগী ৱাংমদা তেক্স খোমগৎহনলোই হায়বা ফিরেপ লাওথোকপীয়ু হায়না পনলি।

মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা পীছ একোর্দ অসিগী অরোইবা তাঙ্কক লাকপা মতমদা মণিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রিতি, এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং পোলিটিকেল ইন্টিগ্রিটিদা কৈদৌঙৈদা কমপ্রোমাইজ তৌরোই হায়বা ৱাফম য়াওরি।

মসিগা লোয়ননা পীছ একোর্দ অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মণিপুরী কলচরগী অপুনবা মশক অসিবু করিগুম্বা হিরম অমত্তদা শোকহনলোইদবনি।

মণিপুরগী অপুনবা লমগী চাদ ৯২ তা চীংনি অদুগা চাদ ৮ না তম্পাক ওইরিবনি। হৌজিক লৈরিবা কম্পোজিৎ এদমিনিষ্ট্রেটিভ অমসুং পোলিটিকেল সেট অপ অসিবু পীছ একোর্দ অসিনা কৈদৌনুংদা অকায়বা থোকহন্নবা শিনলোইদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা হৌখিবা কুমজা ১৯৯৫ দগী কুমজা ২০১৮গী জুলাই থা ফাওবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম ঙাক্না থম্বীনবা তকশিনবা ৱারেপ ১২ লৌখিবা লৈখ্রে হায়নসু মেমোরেন্দম অদুদা পল্লি।

নাগা পীছ এগ্রিমেন্ট অসি অরোইবা খূৎয়েক পীদ্রিঙৈগী মমাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মপুং ওইবা ষ্টেকহোল্ডর ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্না শোয়দনা তান্নরমগদবনি। কুমজা ২০১৮গী জুলাই ১৯ দা রাজ্য সভা অমসুং লোক সভাদা টেবল তৌখিবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিতি ওফ হোম এফেয়ার্সনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী সেক্যুরিতিগী ওইবা ফিভমগী মতাংদা পুথোকপা চনি তরাহুমদোইশুবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না করিগুম্বা ৱারী অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা মতমদা মরী লৈনবা ষ্টেট লৈঙাক অদু তান্নরমগদবনি হায়না পল্লিবনি। রিপোর্ট অদুদা পল্লিবা ৱাফম অসি লৈঙাক্না ঙাক্না চৎপীগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না পল্লি হায়রি।

# পার্লিয়ামেন্টকী ...

লমায় ১গী মখা ... পীহনগদৌরিবনি।

পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্স মিনিষ্ট্রিনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী সেক্রেটরীয়েটতা মীফমগী নুমিৎ হৌ–খবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা খঙহল্লকখ্রে। প্রসিদেন্টকী নোটিফিকেসন য়াম্না থুনা থোক্লবা য়াই। কেবিনেট কম্মিটি ওন পার্লিয়ামেন্টরি এফিয়ার্সকী ওক্টোবর ১৬ তা ফমখিবা মীফম অমনা নুমিৎ চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা লৈবাক

# মফম কয়াদা চেকশিন মীফম ফন্নখ্রে, মৈরা রেল্লি ...

লমায় ১গী মখা ...এম এল এ ৬০ মক ফম থাদোকপিরো হায়খি।

অমরোমদা, চেকশিন মীফম অদুগা মরী লৈননা কোকোমিগী এসিষ্টেন্ট কোর্দিনেটর লোংজম রতনকুমারনা হায়, পিছ টোল্ককী ৱারোইশিনগী এগ্রিমেন্টদা করি য়াওরিবগে হায়বদু খঙলক্কনি হায়না ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মণিপুর মীয়ামদা মমাঙ থমখি। অদুবু তুম্মিনা লৈশিনখিবা অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা থন্নম্বা থাজবা অদু মাংলে। মসিনা মণিপুর মীয়ামদা চাওনা চিংনবসু পোক্লে। অদুবু মণিপুর কায়দনবা চপ চানা মীয়াম্না লেপকনি।

হিরম অসিগী মতাংদা কোকোমিনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা লৈবাক মীয়াম্নসু মতেং পাংবিয়ু। চঙশিনগদবা খোঙজংশিং অদু মতম মতমগী মতুং ইন্না লাওথোরক্কনি। অরিবা পুৱারীগা লোয়ননা লমদম অসিদা ফুরুপ কয়ানা নুংশিননা খুন্দামিন্নদুনা লাক্লিবা অপুনবগী শক্তম অসি থুগাইনবা হোৎনরকপা অমদি মণিপুর কায়বা য়াবা ৱাফম অমত্তা পিছ একোর্দতা য়াওহনবা য়ারোই। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টদা লমদম অসিগী মীয়াম্না থল্লিবা ৱাফমশিং অসি খোঙজং চঙশিমিন্নসি হায়খি।

কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা চত্থ–খিবা খোঙজংশিংগী মনুং চন্ননা ইম্ফাল উখুল লম্বীগী পুংদোংবম বজারদা অৱাং নোংপোক চিংখৈ ইনাট য়োকখৎ লূপনা শীন্দুনা চেকশিন মীফম চত্থখি। ঙসি চত্থখিবা চেকশিন মীফমশিং অদুদা মণিপুর কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়ানা কাংলূপ নাইবা থৌশিল তৌবা য়ারোই, এম এল এ ৬০ নরোল চুম্মু, ফিরেপ লেপ্পু, মণিপুরগী অপুনবা শক্তম কায়বা য়ারোই, ইন্দিয়ানা মণিপুর থুগাইগনু, মণিপুরগী এম এল এ দিলি চৎলু হায়বা প্লে কার্দশিং শিজিন্নখি।

অমরোমদা, কোকোমিনা লাওথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি নুমিদাং তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা মৈরাগী রেল্লি চৎখ্রে। টিদিম লম্বীদা বাজার তম্না লাকখিবা মৈরা রেল্লি অমনা ক্লাকৈথেল ক্রোশিংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী এদিস্নেল এস পি (ওপ্স)না লুচিংবা টিম অমা থৎপগা লোয়নন পুলিস টিম অদুনা ঙাক শেলগা মখা পাংনা হন্দুনা চৎলনখি। চীংঙামখালিৱা লম্বীদা লাকখিবা মৈরা রেল্লি অমা পুলিসনা চীংঙামখোঙদগী হলহনখি। ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই লম্লোংদা উখুল লম্বী, তিনসি রোদ অমদি অয়াং পল্লিরোম মায়কৈ অহুমদগী লাকখিবা মৈরা রেল্লি লম্লোং কৈথেলদা পুলিসনা থৎখি। রেল্লি অদু মখা তানা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেল লোমদা লাক্লবা হোৎনবা পুলিসনা থিংবগা লোয়ননা মফমদুদগী নমদুনা হলহনখি।

মৈরা রেল্লি অসি হাওবম মরক ইরোম লৈকাই, অৱাং সেকমাই, খোঙহাম্পাট, মহারবি, তেন্দোংয়াং, নরানসেনা অমদি ফুম্লৌনচিংবা মফমশিংদসু চৎখি।